# RNU, IMPHAL
# MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM
# (Date: 14-03-2026)

**খেমচান্দ (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা হায়রি-নেসনেল কেডেড কোপস (এন.সি.সি) না রাজ্য অসিগী তুংগী মরাইবক লেপ্পদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। কেডেড অসিনা রাজ্য অসিদা শান্তি অমদি চাউখৎপা পুরকবা হোৎনরি।

ৱাফম অসি ঙসি দি.এম. কলেজ কেম্পসতা লৈবা এন.সি.সি. গ্রুপ হেদক্বাটরসতা হন্দক্তা ন্যু দিল্লিগী করতবিয়াদা পাঙথোকখিবা গনতন্ত্র দিবসতা শরুক য়ারুবা মনিপুরগী এন.সি.সি. কেডেডশিংবু তরামা ওকপগী থৌরম মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়-সরকার অসিনা নহাশিংবু তুংগী পুন্সিদা মায় পাকবগীদমক থৌরাং কয়া পায়খৎকনি হায়নসু এন.সি.সি. কেডেডশিংদা থাজবা ফোংদোকখি।

মুখ্য মন্ত্রিনা কেডেড তরেৎকী থোইদোক হেন্দোকপা অদুনা রাজ্য অসিগী মীয়ামবু চাউথোকচবা অমদি নুংঙাইবা ফাওহল্লে। এন.সি.সি. গ্রুপ হেদক্বাটরসনা চোকথবা লৈতনা রাজ্য অসিগীদমক্তা লৌরিবা থৌদাংবুসু মুখ্য মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা থাংমৈবন্দ কেন্দ্রগী এম.এল.এ. কে.ঐচ. জয়কৃষ্ণন সিংহ, দি.এম. য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার-ডব্লিয়ু চান্দবাবু সিংহ, বিগ্রেদিয়ার-বিক্রান কুরকরনি, এন.সি.সিগী কেডেড, ষ্টাফ অমদি ওফিসিএলশিংনা শরুক য়াখি। চুরাচান্দপুর অমসুং উখ্রুল জিলাগী কেডেড লিশিং অনিরোমনা থৌরম অদু ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা শরুক য়াখি।

থৌরমদুগী মনুং চন্না হন্দক্তা পাঙথোকখিবা গনতন্ত্র দিবস পালন অদুদা অৱাং নোংপোক লমদমগী ওইনা সেকেন্দ ইন কম্মান্দ ওইনা শরুক য়াখিবা-সি.য়ু.ও. কোন্সম মোরান্বা য়াওনা নেসনেলগী থাক্তা পাঙথোকপা এন.সি.সিগী

ইভেন্টশিংদা মায় পাক্লকখ্রবা কেডেডশিংবু তরামা ওক্ত্না পুকিং থৌগৎখি।

মদুগী তুংদা, মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ এম.এল.এ.-কে.ঐচ. জয়কিষননা থাংমৈবন্দ কেন্দ্রদা লৈরিবা খুন্থোকঙানবী অপ্পর প্রাইমারি স্কুল অমসুং গুরুকুল হিজম দেৱান জনিয়ার হায়স্কুল য়েংশিনখি। মুখ্য মন্ত্রিনা ইম্ফাল ইষ্টকী খুন্দ্রাকপমদা লৈবা নাউরেম বিহারি কলেজতসু চৎতুনা কলেজ অসিগী ওইরিবা ফিভম য়েংশিনখি। মহাকা কলেজ অদুগী ওজা অমদি অতৈ ষ্টাফশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

ইম্ফাল-সাইকুল লম্বীগী হন্দ্রেদ ফ্লৱার স্কুলদগীনা শগোলমাং ফাওবগী লম্বী শেম শারিবা অদু য়েংশিনখি।

**ৱার্কসোপ (এল)ঃ** নুমিৎ নিনি চথরকপা হিষ্ট্রি ওজাশিংগী ওইবা হিষ্ট্রি মেথোথোলোজি অমসুং স্কিল এনহান্সমেন্ট ৱার্কসোপ ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিদা লোইশিনখ্রে।

ৱার্কসোপ অসি মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী কলেজ দিভলপমেন্ট কাউন্সিল অমসুং রাষ্ট্রিয়া সমাজ বিগ্যান পরিষদ নিউ দিল্লিনা পুন্না খুৎশমদুনা শিনবনি। মসিদা তোঙান তোঙানবা কলেজ অমদি য়ুনিভর্সিতিগী হিষ্ট্রি ওজাশিংনা শরুক য়াখি। মসিদা লৈবাক অসিগী শকাইরবা হিষ্টোরিয়ান কয়ানা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি।

**শরোই(এল)ঃ** লমতাগী ২৫ নি পানবা অরোইবা থাংজ নুমিৎতা ঙসি উত্র শঙলেন সনা কোনুংনা অৱাই অখুম শরোই খাঙবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। লাইথৌ অসি লমতাগী অহানবা থাংজ নুমিৎতা পাঙথোক্তুনা ঙসি অরোইবা থাংজ নুমিৎতা লোয়শিনবনি।

লমতাগী অরোইবা থাংজ নুমিৎকী শরোই খাঙবগী থৌরম অসি লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্ডনসু শিনদুনা পাঙথোকখি। থৌরমদুগী মনুং

চন্না লাইনিংথৌ সনামহি শঙলেনগী অমাইবা অমাইবী অমদি অখঙ অহৈশিংনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা মফম কয়াদা পাঙথোকখি।

লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্ডতা পাঙথোকখিবা শরোই খাঙবগী থৌরমগা মরী লৈননা বোর্ড অসিগী অমাইবা শংলাকপা-সলাম মণিননা হায়-লমতা থাংজগী শরোই খাঙবগী থৌরমদা শরুক য়ারিবা ইমা ইবেলশিংনা লন্বী-সড়ক্তা থোরক্তুনা মীয়ামদগী শেল খায়বগী চৎনবী অমা উরক্লি। মসিনা শরোই খাঙবগী থৌরম অসিবু অতোপ্পা মায়কৈ অমরোমদা উখিনবা অমদি লান্না উহন্নবগী মরম ওইহল্লকপা য়াইহায়রদুনা অসিগুম্বা থৌওংশিং চত্থবীদনবসু আপিল তৌখি।

**বোম (এল)ঃ** নোনে জিলাগী খৌপুমগী তাওলিংপুং নমকাউলোং পার্ট টুদা ঙসি অয়ুক বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা অঙাং অমা শিরে, মপানা শোক্লে।

ঐখোয়গী নোনে পাউমী অগুই কামৈনা হায়- ঙসি অয়ুক পুং ৮ মখায় অদুৱাইদা অঙাং অদুগা মহাক্কী মপাগনা মখোয়গী য়ুমগী অকোইবদু শেংদোকপদা লেথোদ বোম অদু পোকখায়রকখি। মদুদা চহি ৩ লোমতা ঙাইরিবা অঙাং অদু খুদক্তা শিখি অদুগা মহাক্কী মপানা থিনা শোকখি। অশোকপা অদু খৌপুম প্রাইমারি হেলথ সেন্তরদা ফার্ষ্ট এইদ পীরবা মতুংদা লায়েংনবগীদমক ইম্ফালদা পুখ্রে।

**ৱাকৎ (এল)ঃ** ককচিং জিলাগী তেজপুরদগী মালেমঙানবা মীশিগা মরী লৈননা মীশি অদুগী মতাংদা অচুম্বা লংলা লংজিল পুথোকবা ৱাকৎ মীফম চত্থখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদু মালেমঙানবা মীশিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে.এ.সিনা শিনদুনা জিলা অসিগী তেজপুর ময়াই লৈকোই প্রাইমারি স্কুল গ্রাউন্দদা চত্থখিবনি।

**হেন্দলুম(এল)ঃ** মনিপুর সরকারগী হেন্দলুম অমসুং টেক্সতাইল বিভাগকী

মীৎয়েং মখাদা এম.এস.সুরজা দেব হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফট কোরপোরেটিব সোসাইতি অমসুং পান্থোইবী ৱেদিং কল্লেক্সন সেন্টরনা শিন্দুনা নুমিৎ মঙানি চুপা চথুগদবা শজিবু টেক্সতাইল এক্সপো ঙসিদগী শগোলবন্দ মৈনো লৈরক মচিন মল্টি পরপজ কম্মুনিতি হোলদা হৌখ্রে।

থৌরম ৱা ঙাংবদা-হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইল বিভাগকী দিপ্যুতি দাইরেক্তর (হেন্দলুম) থোকচোম বসন্তানা হায়-রাজ্য অসিগী শিংথানিংঙাই ওইরিবা ফিশা-লোনশা অমসুং খুৎশা হৈবগী পোৎথোকশিং অসি লৈবাক অসিগী অতোপ্পা রাজ্যশিং য়াওনা মালেমগী লৈবাক কয়ানা য়ামা পামরক্লি। হন্দক্তা বিভাগ অসিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা মণিটেক্সতসু মপান লৈবাক ১৬ কী মীহুৎ কয়া লাক্তুনা শরুক য়াখি অমদি ফিশা লোনশা য়াওনা খুৎশা হৈবগী পোৎথোকশিং লৈগে হায়দুনা ওদর কয়া পীরম্বা লৈরে।

মহাকা হায়-লমদম অসিদা ফিশা লোনশা অমসুং খুৎশা হৈবগী পোৎথোকশিং অসি লমদম অসিদা য়োনবগী মথক্তা মালেমগী  অতৈ মফম কয়াদসু য়োন্নবা হোৎনবগী মতম ওইরে। ঙসি বিভাগ অসিনা শিন্দুনা পাঙথোক্লিবা এক্সপো অসি গ্রাস রুট লেবেলদা লৈরিবা ফিশাবী অমদি তুংদা হৌরক্কদবা নহাশিংবু বিভাগ অসিগী অমদি মন্ত্রালয়গী মায়কৈদগী মতেং ফংবা য়াই হায়বদু খঙহন্নবা হোৎনবা খোঙথাংগী শরুক অমনি।

এক্সপো অদু হৌদোকপগী থৌরমদা -মনিপুর হায় কোর্টকী রিটয়ার্দ ত্রান্সলেটর-খুরাইলাৎপম ইবোতোম্বী শর্ম্মা, হেন্দিক্রাফটকী দিপ্যুতি দাইরেক্তর-ৱাই. জগ্যাশ্বরী, দিষ্ট্রিক্ট ইন্দষ্ট্রিজ সেন্টর মনিপুরগী জেনরেল মেনেজর-অহৈবম লোকেননচিংবা শরুক য়াখি।

**রিভর (এল)ঃ** মালেমগী তুরেলগী নুমিৎ পালন থৌরম লোক্তাক্কী ঙামীশিংনা শিনদুনা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী লোক্তাক্তা লৈবা ঙামীশিংগী লৈফম চম্পু খাঙপোক ফ্লোটিং আইলেন্দ ভিলেজতা পাঙথোকখ্রে।

পালন থৌরম অদুগী হীরমনা-প্রোটেক্ট রিভর, প্রোটেক পিপল হায়বসিনি।

**অধালট(এল)ঃ** নেসনেল লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি অমসুং মনিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটিগী লমজিং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিস ওথোরিটি-চান্দেলনা শিনদুনা চান্দেল অমসুং তেংনৌপল জিলাগী ওইনা ঙসি চহি অসিগী অহানবা লোক অধালট ফমখ্রে।

লোক অধালট অদু চান্দেল জিলাগী ওহনা বেঞ্চ নম্বর হায়দুনা সি.জি.এম-চান্দেল কমপ্লেক্সতা অদুগা তেংনৌপল জিলাগী ওইনা বেঞ্চ নম্বর টু হায়না মোরে কোর্ট কমপ্লেক্সতা ফমখিবনি।

ঙসি ফমখিবা নেসনেল লোক অধালট অদুদা তোঙান তোঙানবা কেসশিং ১৮ লোয়শিনদুনা লুপা লাখ ১০ লিশিং ৩৫ খোমগৎপা ঙমখি হায়না দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি-চান্দেলনা হায়রি।

**সিপিআই(এল)ঃ** মনিপুরগী ওইনা সেন্সস তৌবগী মতম থিন্থবীনবা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি য়াওনা রাজ্য অসিগী মুখ্য মন্ত্রি অমসুং চীফ সেক্রেটরিদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (সি.পি.আই) না মেমোরেন্দম অমা ঙসি পীশিনখ্রে হায়রি।

সি.পি.আই. ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়-মেমোরেন্দম অদুদা ২০২৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা মীকোক থিবগী থবক অসি রাজ্য অসিগী ওইরিবা ফিভম অসি য়েংলগা মতম থিন্থনা পাঙথোকপীয়ু হায়বগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া মেমোরেন্দম অদুদা য়াওরি।

**নোং(এল)ঃ** মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা অখাক অরাও য়াওনা নোং চুগনি হায়রি।

ইন্দিয়া মেতিওলোরোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্টরনা হায়-তমেংলোং, সেনাপতি, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, নোনে অমসুং বিষ্ণুপুর

জিলাদা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা অখাক অরাও য়াওনা নোং চুগনি। অতৈ জিলা খরদসু লাক্লিবা নুমিৎ নুমিৎ মঙানি অসিগী মনুংদা নোং চুগনি হায়রি।

**ককচিং(এল)ঃ** ককচিং জিলাগী ককচিং সি.দি. ব্লোক্কী মনুং চন্না ককচিং ৱাইরি শম্বল লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা ঙসি নোংমগী ওইবা এৱারনেস কম উধ্যম রেজিষ্ট্রেসনগী গাইদ পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট ইনর্ফোমেসন ওফিসার ককচিংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- থৌরম অদু মাইক্রো সম্মো এন্দ ইন্টরপ্রাসজ (এন.এস.এম.ই) মন্ত্রালয়গী মখাদা রাইজিং এন্দ এসেলেরেটিং এন.এস.এম.ই পার্ফোমেসন রাম্প স্কিমগী মনুং চন্না দিষ্ট্রিক্ট ইন্দষ্ট্রিজ সেন্টরনা শিনদুনা পাঙথোকপনি।

**জিরিবাম(এল)ঃ** সি.আর.পি.এফকী ৮৭ শুবা রাইজিং ডে থৌরমগা মরী লৈননা সি.আর.পি.এফকী ৮৭ শুবা বটালিয়ননা শিনদুনা জিরিবাম জিলাগী উচাথোলদা লৈবা এস.পি.সি. কমপ্লেক্সতা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সি.আর.পি.এফ. পার্সোনেলশিং য়াওনা গেজেটে ওফিসারশিং, সরভোর্দিনেট ওফিসিএলশিং অমসুং নোন কেজেটেদ ওফিসারশিং শরুক য়াখি।

**বাবিনা(এল)ঃ** লেমা কেন্সর লায়না খঙদোকপগী কেম্প অমা ঙসি সেকমাই কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা সেকমাই মখা লৈকাই লুৱাংবুং নিলাপদ্মা অপ্পর প্রাইমারি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদু খাবৈশোইদা লৈবা এ.ও.আই. বাবিনা স্পিপসিলিতি হোস্পিতাল অমসুং মনিপুর সরকারগী হকশেল বিভাগকা খুৎশমনা শিনদুনা পাঙথোকখিবনি। কেম্প অদুদা গাইনি ওনকোলোজি, সরজিকেল

ওনকোলোজি অমসুং জেনরেল মেদিসিনগী ডাক্তরশিংনা মীওই ১০০ লায়েংখি অমসুং চহি ২৫ মথক্কী নুপীশিংদা টেপস্মিার লেমা তৌখি অমসুং হিদাক লাংথকশিং লেমা য়েন্থোকখি। কেম্প অদু মফম অদুগী লৈকাই, ক্লব অমসুং আশা ৱাকরশিংগী মতেংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবনি।

**এৱার্ড(এল)ঃ** সাহিত্য থৌপাং লুপ (শাথৌ লুপ) না মালেমগী শৈরেংগী নুমিৎকা মরী লৈননা চহি খুদিংগী পীবা গোপাল শর্ম্মা এৱার্ড চহি অসিগী ওইনা মনিপুরগী শকাইরবা কবি-য়েংখোম বিহারিদা পীরগনি। এৱার্ড অসি থা অসিগী ২১ দা মালেমগী শৈরেং নুমিৎকা মরী লৈননা ইম্ফালগী মনিপুর প্রদেস ক্লবতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা খুৎশিন্নগনি। মনা অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১৫, সাইটেসন অমা, স্বাল অমা য়াওরি। এৱার্ড অসি শ্রী বিহারিনা মনিপুরি সহিত্যগীদমক লৌরিবা থৌশিং অদুবু শকখঙবা ওইনা পীবনি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি কোলকাতাদা লুপা কোতি লিশিং ১৮,৬৮০ গী তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরগীনা উরেপ উয়ুং তমখ্রে, খরগীনা শঙ্গাখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-প্রোজেক্টশিং অসিনা নোংচুপ বঙ্গাল খক নত্তনা ভারতকী নোংপোক থংবা শরুক পুমমক চাউখৎপা ঙমহল্লগনি। লম্বীগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক প্রধান মন্ত্রিনা লুপা কোতি লিশিং ১৬,৯৯০ চংনা পায়খৎকদবা কিলোমিটর ৪২০ হেনবগী তোঙান তোঙানবা নেসনেল হায়ৱে প্রোজেক্টশিং উরেপ উয়ুং তমখি।

প্রধান মন্ত্রিনা শঙ্গাখিবা প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা নোংচুপ বঙ্গাল অমসুং ঝরখন্দগী নেসনেল হায়ৱে ১৯ গী সেক্সন অমসুং নোংচুপ বঙ্গালগী নেসনেল হায়ৱে ১১৪ য়াওরি। প্রোজেক্টশিং অসিনা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোকশিং হন্থহনবা, চৎথোক চৎশিনগী মতম হন্থহনবা, লম্বী চিনবগী চাং হন্থহনবা অমসুং

পোলুসন য়াওনা টুরিজম চাউখৎহনবগা লোয়ননা লমদম অদুগী মীয়ামগী শেল থুমগী লমদসু চাউনা মতেং ওইরগনি। প্রধান মন্ত্রিনসু অনৌবা নেসনেল হায়ৱে প্রোজেক্ট খরগীসু উরেপ উয়ুং তমখি।

মহাক্কী কোলকাতা খোঙচৎ মনংদা প্রধান মন্ত্রিনা সিপ্পিং অমসুং পোর্টকা মরী লৈনবা প্রোজেক্ট খরগীনা উরেপ উয়ুং তমখি, খরগীনা শঙ্গাখি।

মদুগী মমাংদা, প্রধান মন্ত্রিনা অসামগী সিলচরদা লুপা কোতি লিশিং ২৩,৫৫০ গী তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং যাত্রা হুনখ্রে। প্রধান মন্ত্রিনা সিলচরগী অম্বিকাপুরদা প্রোজেক্ট অহুমগী ভুমি পুজন পাঙথোকখি। প্রোজেক্টশিং অদুদি লুপা কোতি লিশিং ২২,৮৬৪ চংনা পায়খৎকদবা সিলচর হাই স্পিদ কোরিদোর, লুপা কোতি ৫৬৫ রোম চংগদবা সিলচর টাউন ফ্লাই ওভর অমসুং লুপা কোতি ১২২ চংনা শাগদবা পথরকান্দি এগ্রিকলচরেল কলেজনি।

**থাউঃ** সরকারনা য়ুমথোং খুদিং, হোস্পিতালশিং, মহৈ তম্ফমশিং অমদি অতৈ তঙাইফদবা থবক তৌবশিংদা থাউ মরাং কায়না ফংহনগনি হায়রি।

এল.পি.জি. পুথোকপগী চাংসু চাদা ৩০ গী মথক্তা হেনগৎহল্লে। পেট্রোল্লিয়ম এন্দ নেচরেল গ্যাস মন্ত্রালয়গী জোইন্ট সেক্রেটরি-সুজাতা শর্ম্মনা হায়-কঞ্জুমরশিংদা নীংথিনা ফংহন্নবগীদমক রাজ্য সরকারশিংদা কর্ম্মসিএল এল.পি.জি. সিলিন্দরশিং মাংজিল থাবা থৌরাং অমা ওইনা ফংহল্লি। মহাকা হায়-গাড়িদা শিজিন্নবা দোমেষ্টিক পি.এন.জি. অমসুং সি.এন.জিশিংসু হান্নগী চাংদগী হন্থহনবা লৈতে। রিটেল আউটলেটকী দিল্লরশিংদসু গাইদ লাইনশিং মপুং ফানা ঙাকা চৎনবা অমদি নিয়ম কায়না থবক তৌবশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎকনি হায়নসু খঙহনখ্রে।

**জিতেন্দ্রঃ** ইন্দিয়ান স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (ইসরো) না তামিল নাদুগী

মহেন্দ্র গীরিদা লৈবা মসিগী প্রোপলসন কমপ্লেক্সতা সি.ই. টোইন্তি ক্রাইয়োজেনিক ইঞ্জিনবু সমুদ্রগী ইমাইদা মায় পাকা চাংয়েং পাঙথোকপা ঙমখিবগীদমক কেন্দ্রগী সাইন্স অমসুং টেকোলোজি মন্ত্রি-ডা: জিতেন্দ্র সিংহনা ইসরোবু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা মন্ত্রিনা হায়-চাংয়েং অদু মায় পাকা পাঙথোকপনা লৈবাক অসিগী ক্রাইয়োজেনিক প্রোপলসনগী তৌবা ঙম্বা অদু উৎথোক্কুনা এল.ভি.এম.-থ্রি প্রোগ্রামবু হেন্না ফগৎহল্লে।

**ভিদিওঃ** পি.এম. লেপটোপ স্কিম-২০২৬ কী মখাদা মহৈরোই পুমমক্তা লুপা লিশিং ২৫ নৎত্রগা লেপটোপ অমা লেমা কেন্দ্র সরকারনা পীরি হায়বা য়ু ট্যুবতা থাগৎপা ভিদিও অদু অরানবনি হায়না সরকারনা শেংদোক্লি।

প্রেস ইনর্ফোমেসন ব্যুরো (পি.আই.বি) গী ফেকচেক য়ুনিটনা হায়-ভিদিও অদুদা হায়রিবা ৱাফম অদু শাশিন্নবনি। কেন্দ্র সরকারনা অসিগুম্বা স্কিম অমত্তা চৎনহনবা লৈতে। স্কিমশিংগী মতাংদা অচুম্বা ৱারোল খঙনিংলবদি মীয়ামনা ৱেব সাইট-মাই স্কিম দোট গোভ দোট ইনদা য়েংনবসু পি.আই.বিনা হায়রি।

**ফুটবোল ঃ** দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন থৌবাল শিনদুনা পাঙথোকপা থার্দ দিভিজন ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্ট ২০২৬, থৌবাল জিলাগী থৌবাল নিংঙোম্বম মিণি ষ্টেদিয়মদা ঙসিদগী হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা এন.ৱাই.পি.সিনা এম.এম.এফ.এবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখি। টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং নিনি চনবা নুমিৎকী অহানবা মেটচতা টি.ঐচ.এস.সি. তেকচম অমসুং তকৱা-তেন্থা লম্বা থেংনগনি। অনিশুবা মেটচতনা মৈরা এফ.সি. ৱাংজিং অমসুং এফ.পি.এম.সি-খোঙজোম লম্বা থেংনগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না টিম ৯ না শরুক য়ারি।

**চেস ঃ** অহানবা রাজকুমার সনাজাউবা মেমোরিএল অন্দর টোইন্তি চেস টুর্নামেন্ট ২০২৬, কংলৈ চেস একাডমী-ইম্ফাল হ্রেষ্টনা মনিপুর চেস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ১৮ দগীনা ২২ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। টুর্নামেন্ট অসি য়াইস্কুলদা লৈবা কংলৈ চেস একাডমীদা পাঙথোক্লগনি। অকুপ্পা মরোল একাডমী অসিদগী খঙবা য়াগনি হায়না একাডমী অসিগী ওর্গনাইজিং সেক্রেটরিনা খঙহল্লক্লি।

**অম্বা ঃ** ওল মনিপুর বোদি বিল্ডরস এসোসিয়েসন (অম্বা) গী ২০২৬ কী ট্রান্সফর পাঙথোক্লগনি হায়রি।

এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-অম্বাদা এফিলিয়েট তৌরবা জিমশিংগী রেজিস্তার বোদি বিল্ডরশিংনা ট্রান্সফর ফোর্ম খুম্মন লম্পাক্তা লৈবা অম্বাগী ওফিসতগী অয়ুক পুং ৬ তগী ৯ ফাওবগী মনুংদা লৌরবা য়াগনি। ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতম থা অসিগী ৩১ গী নুংথিল পুং মরি ফাওবনি হায়রি।